ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯟ ꯱꯲, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯸꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুন ১২, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৮০শুবা মশীং

ষ্টেটকী এগ্রিকলচর পোলিসি

চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা ষ্টেট ওইহন্নবা হোৎনসি

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈদা ইশাগী পোখোক্লা লেম-পানা চাবা কোন্নজরম্মী হায়বসি পুৱারীগী লাতমদা য়াওবদা নত্তনা হৌজিক হৌজিক্কী মীরোলনা খঙহৌ উহৌবা ঙাক্তনি। তেল্লবা চহী ৬০/৭০ সিগী মনুংদা কমদৌনা মণিপুরীশিংনা মশাগী পোখোক-চাথোক্লা শীজিন্নবা কোন্নরক্তবনো হায়বসি থিদোল্লগা অশোয়বা লৈরম্লগদি মদু চুমথোক্তুনা লৌশিংগী পুক্কে ওন্থোল্লগা মায় পাকপা পুন্সিরোল অমদা চঙশিনবা ঙমগনি। মরম অদুনা মণিপুরনা মতৌ কমদৌনা মশাগী পোখোক্লা চাবা কোন্নদ্রিবনো অমসুং কমদৌনা চাবা কোন্নগদগে হায়বসি থিজিন-হূমজিনবগী মতম য়ৌরে। কুম খুদিংগী ঈশিং চাউবা, ঈরম-খোংলম ফত্তবনা মরম ওইরদুনা তুমাইবু অফবা, চাথোক লৈবা ফৌনি হায়না থানরিঙৈ মতমদা চাবা-থকপা ৱাৎলমদে। মসিগীসু মথক্তা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা লৌউ-শিংউবসু নত্তবা, মতমসিগী চাথোক লৈবা ফৌসু থাদ্রিঙৈ মতমদা কমদৌনা চাবা কোন্নরগা হৌজিক্লা করিগী চাবা কোন্নদ্রিবনো হায়বসিগী মরু ওইবা মরম ঐখোয়না পুথোকপা তাই। অখণ্ড-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লবগী মতুং ইন্নদি ঐখোয়গী পোখোক্লা চাবা কোন্নরক্ত্রিবসিগী মরম লৌ উবা য়াবা লম নোংমা-নোংমগী মাঙশিল্লকপা, খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাউগুম্না চাবীনবা, থকপীনবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা, শূবী-নোম্বীনবা মী লৈশিল্লক্তবা অমসুং মতমসিগী টেক্নোলোজিগী পাম্বৈনা ফৌথোক হেনগৎননবা হোৎনবা ৱাৎহৌবদগীনি হায়নৈ। মণিপুর লৈঙাক্লা লৌ উবা য়াবা লম কন্ননবা থৌশিল অমা শেমখ্রে। থৌশিল অদুগী মতুং ইন্না লৌ উবা য়াবা মফমশিং কনবা ঙম্লগনি হায়না লৌজরবসু হৌজিক্তি শেমখিবা থৌশিল অদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদে। শেমখিবা থৌশিল অদু উপু মনুংদা নমশিন্দুনা থমগদবা ওইরগদি ষ্টেট অসিগী লৌ উবা য়াবা লম ঙাক্তুনা থম্নবা চূনবা মখলগী লো অমত্তা শেমদে হায়বদা কদায়দা লানগনি। চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনসু লৌ উনরিবা মফমশিংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শাজিল্লিবশিং তকথোক্কনি হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রে। মফম খরদদি তকথোকপা ফাওবা হৌরুরবনি। অদুবু, হৌজিক্লা অমুক তুমিন্না লৈশিনখ্রে। পাউচেশিংদা ফোটোগা কোন্ননা লৌফম মাঙহল্লগা য়ূম শারে হায়না পাউ ফোঙখ্রবা মফম ফাওবদা মরী লৈনবা ওঠোরিটি অমত্তনা মীৎয়েং চঙবীদ্রে। মরুওইনা ইন্দো-বর্ম্ম রোদ অমসুং টিদিম লম্বীগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা লৌবূক লম্মাংশিং হৌজিক্তি ইরে লৈশিল্লক্ত্রে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঐখোয়না চাথোক হেন্না পুথোক্কনি অমসুং চীঞ্জাক্তা মীপান তাংদবা মফম অমা ওইহনগনি হায়বা ৱাখল্লোন অসি মঙদা মঙ্গ্রা তানবগা মান্নরব্রা হায়বগী ৱাহং লাক্লে।

পোখোক পুথোকপা হায়বসিমক্তবু লৌমী মথৌ তারকই। মতম অমদা য়ুম অমদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক লৌবূক্তা কুমদুনা লৌরাং শূই। হৌজিক্তি ইমুং অমদা মীওই অমা লৌবূক্তা কুম্লগা থবক শূই হায়বসি সহরগী মনুংদদি য়াম্না তাংনা থোক্লে। মসিগীসু মথক্তা লৌউ-শিংউবা হায়বসিমক্তবু ঈশিং চঙই। লৌফম খুদিংদা লৌমীশিংনা অপাম্বা মতমদা ঈশিং ফংহনবা, পামদবা মতমদা ঈশিং কণ্ডহন্নবা থৌশিল শেম্বা চঙই। মণিপুরদদি মিনিষ্টরশিংদা পীবা পোর্টফোলিওসু মওং চুম্না পীদে। আই এফ সি দি হায়রগা শেনয়াম থাদরগা তুরেলগী লৌনম্বাল শেম্বা, তুরেলগী তোর্বান কায়রকপা মতমদা মেনশিন্ননবা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওইনা উই। তশেংনমক্তা ইরিগেশন হায়বা ৱাহৈ অসিগী মথৌ মঙম নীংথিনা দিপার্টমেন্ট অসিনা তৌদে। অচৌ অচৌবা প্রোজেক্টশিংদগী ঈথৈ-লৌখোংদা পুরক্লগা অপীক অপীকপা খোঙলমশিংদা ঈশিং পীবগী থবক্তা মাইনর ইরিগেসন (এম আই) অমসুং কমান্দ এরিয়া দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (কাদা)গী থৌদাং চাউনা লৈ। হায়রিবা অপীকপা দিপার্টমেন্ট অনী অসি এগ্রিকলচর মিনিষ্টরদা পুন্না পুহল্লবদি লৌবুক্তা ঈশিং ফংহনবগী থৌশিল শেম্বদা হেন্না নুংঙাইগনি। অদুবু এম আই অমসুং কাদা হায়বসি ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টমখৈ পুনশিনবরোমদা চৎখ্রে। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী থৱায় হাপকদৌরিবনি হায়বা কাওথোকখ্রে। মসিগীসু মথক্তা ষ্টেট অসিগী বজেট শেম্বদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট হায়বসি ষ্টেট অসিদা লৈবা মীওই লাখ ১৫ রোমগা নকশিন্নবা মরী লৈনৈ হায়বসি কাওথোকই। লায়রবা মীয়ামদা থবক পীবা য়াবা দিপার্টমেন্টনি হায়বসু নিংশিংদ্রে। মমিংতগী ওইনা বজেটতা শেল হাপ্পী। শেল হাপ্লিবা মওং মতৌ অসিগী হায়রুরগদি মেজর দিপার্টমেন্টনিবু হায়বা তল্লক্লে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মতীক চাবা শেনফম ষ্টেট বজেটতা হাপ্লগা থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংবু লৌবুক্তা পুথরগা থবক শূহনসি। কুম অমগী মনুংদা থা তরুক অহাংবা লম্মাং ওইনা থল্লিবসি অশংবা লৌবূক লম্মাং ওন্থোকপা ঙম্লবদি চাবা-থকপদা মীপাল তাংদবা ষ্টেট অমা ওইহনবা ঙমগনি। মতীং লৈবা লৈঙাক অমগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা থৌশিল শেমদুনা কুমজা ২০২০ ফাওবগী মনুংদা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হোৎনসি।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

কোলেজশিংদা জেনরেল কোর্সশিং থম্নবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনবীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা হৌখিবা কুমজা ২০১০দা মসিগী মখাদা লৈবা কোলেজশিংদা বি এ/বি এস সী/বি কোম কোর্সশিংদা সেমেষ্টর সিষ্টেম হৌদোকখ্রবসু, ওনর্স অমসুং জেনরেল/পাস কোর্স অসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোক মপূং ফানা কোলেজশিংদা লৈহনবা ঙমদ্রি। মণিপুরদা লৈরিবা কোলেজশিং অয়াম্বদা মঙাশুবা অমসুং তরুকশুবা সেমেষ্টর (অরোইবা অমসুং ৩শুবা চহী) দা ওনর্স অমসুং জেনরেল কোর্স/ক্লাস হায়না লৈগদবা অসি লৈতে, শুপ্নতগী ওনর্স কোর্সতমক তম্বীদুনা লৈ। মসি হৌখিবা চহী ৭/৮সিদা মণিপুরগী কোলেজ অয়াম্বদা, ইম্ফালগী ময়োন্দা লৈরিবা গভর্ণমেন্টকী কোলেজশিং য়াওনা চখুদুনা লাক্লি। নৌনা গভর্ণমেন্ট কোলেজ ওইখ্রবা অমদি প্রাইভেট কোলেজশিংদদি জেনরেল অমসুং ওনর্স কোর্সশিং অনীমক নিংথিনা চখরি।

জেনরেল অমসুং ওনর্স সবজেক্ট অনীমক কোলেজশিংদা থম্বীদবা হায়বসি য়ুনিভর্সিটি/য়ু জি সীগী রুলস থুগাইবনি, মহৈরোয়শিংগী কেরিয়র অমদি প্রিভিলেজদা শিংনবনি, পেরেন্টশিং অমসুং সোসাইটিবু মাঙহনবনি। মহৈরোয় মখল অনী - লাইরিক ৱাংনা তম্নীংবা অমসুং ৱাংনা তম্নীংদবা হায়না চাউরাক্লা লৈরিবা অনী অসিবু তোঙান্না জেনরেল অমসুং ওনর্স হায়না কোলেজশিংদা মতম শাংনা চৎনদুনা লাক্লিবা অমদি মণিপুরগী মপান্দসু চৎনরিবা হায়র এদ্যুকেসনগী থাক্তা মণিপুরগী কোলেজ অয়াম্বদা কোলেজগী ওথোরিটিশিংনা লৈহন্দবা/থমদবা হায়বসি তাবদা য়াম্না ৱাবা, এদ্যুকেসনগী মরমদা খঙবা ৱাৎপা অমনি হায়না লৌবদা থোইনা লাল্লোই হায়জনীংই। মসি পুম্নমকসি মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবা ৱাৎপা, কোলেজ ওথোরিটিশিংগী হৈশিংবা ৱাৎপা, থবক কোমনীংবা অসিনচিংবা কয়াদগী থোকপনি হায়জনীংই। য়ু জি সীগী য়াথং মতুং ইন্না এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর অমনা চয়োল অমদা পুং ১৬ অমসুং এসোসিএট প্রোফেসর অমনা পুং ১৪ থবক তৌনবগী খঙহল্লবসু অন্দর গ্রেজুয়েট অমদি পোষ্ট গ্রেজুয়েট কোর্স লৈবা কোলেজশিংদা চপ চানা চৎনবা তৌদ্রি। জেনরেল অমসুং ওনর্স অনী অসি তোঙান তোঙান্না তম্বীবগী মহুত্তা ওনর্সখক্তদা তম্বীবনা মরম ওইদুনা মহৈরোয় কয়াগী মরায়বক থিহল্লে; ওনর্স তমদুনা অশোনবশিং পরিক্ষাদা ফেল ওইহল্লে, সবজেক্ট অহুম জেনরেলদা তমদুনা লৌশিং হেন্না তানগদবা অমদি পি জি কোর্সতা তম্নীংবা সবজেক্ট/দিসিপ্লিন ৩গী মনুংদা ১ তমজবা য়াবসু খুদোংচাবা ফংহনদ্রে, লায়না গ্রেজুয়েট অমা ওইগদবা অদুসু ওইহন্দ্রে।

মরম অদুনা য়ু জি সী/য়ুনিভর্সিটিনা জেনরেল অমসুং ওনর্স অনীমক ৫শুবা অমসুং ৬শুবা সেমেষ্টরদা তম্বীগদবনি হায়বসি মণিপুরগী কোলেজশিংদসু ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফীভম য়েংবীরগা হন্দক্কী জুলাইগী সেসনদগী হৌনবা মরী লৈনবা অঙম অথৌশিংনা শিনবীনবা/লৈহনবীনবা নীংশিংজরি।

অদোমগী - ডা. থাঙজম রঞ্জিৎ, সিনাম লৈকায়, থাংমৈবন্দ

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩

১। মণিপুরী মতম ঈশৈগী হৌরকফমদি মণিপুরী ফম্বাক লীলানি। 'জাতি কৌবী শকহেনবী' হায়বা ঈশৈসি ঙসিফাওবা পাম্না শক্লরি।
   (ক) ঈশৈ অসি করম্বা ফম্বাক লীলাদা শকখিবগে?
   (খ) ঈশৈ ময়েক অসিগী অইবদু কনানো ?

২। "লৈমন চল্লবী লৈরাংগী অৱাবা/খঙবীরোই কনানা, তাবিরোই তাইবঙনা।" ওজা পহাড়ীনা শকখিবনি। শৈরেংবদু কনানো?

৩। "লাইজথক্কী থারিকথা/মালং চীরোল ফংবদা/লৈনা জগোয় শাবদি/থাজ মাবু ঙাইবরা?" ময়েক অসি শৈশকপা কৈশাম জামিনীকান্তগী ময়েকনি। কনানা শকখিবগে?

৪। 'ঙসিদি অশেংবা হায়দোল্লগে' হায়বা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?

৫। 'ঈশৈ পরেং' কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবীদুনা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

প্লাষ্টিক্লা চাইরবা লমদমসিদা থিংনবা লৌরকপা খোঙথাং

হেক্তা হায়নীংলকই - ৫০২

জিতেন নামৈরাকপম

হৌখিবা জুনগী তারিখ ৫ অসি অইবনা মালেমদা খোঙদারকখিবগী তারিখনি। মৈতৈ থবান পারুবদদি চান্নদ্রে অদুগা নুমিৎসু মান্নদ্রে। ইশাগী পোকখিবগী নুমিৎ অসি শগোলেশলনি অদুগা অয়ূক্কী পুং ৭কা মিনট ৪৪/৪৫দা তাখি। অদুবু হন্দক্কী জুনগী তারিখ ৫ অসিদি লৈবাকপোকপদা তাখি। ঐঙোন্দদি ঙকপা হায়গদ্রা মিং ওইনা পঞ্জদ্রবদা ঐখোয় মহোয় মমা অসিসু ঐগা চপ মান্ননা জুন থাগী তারিখ ৫দা পোকই হায়না মাগী কুঠিদা ইরম্মী। চহীদবু ঐনা হঞ্জবগী ৱানি, পোকখিবগী তারিখতি চপ মান্নরে। সিদবু ঙক্তে করম হায়সিগে! অদুনা ঐখোয় অনীগী বর্থ দে অসি তোঙান-তোঙান পাঙথোক্তুনা অহেনবা চাদিং তৌহল্লগনু হায়না শেম্বীবা মপূ মানা তম্বীরম্বনি খঞ্জে। নোংমতদা অদুম বর্থ দে পাঙথোকমিন্নরে। বর্থ দেগা হায়বসি ঐখোয়না খঙলকপা মতমদা মণিপুরদা শুকপাঙবু পাঙথোক্লরমদে। কদোমদগী লাকপা ঈহৌনো, ইংলিস কাঙবুগী মতৌ তম্বা শোয়দনা ওইরমগনি। মালেম শিনবা থুংনা ফাওরবা ঈশৈ শক্লে, খুবাক খুনৈ - 'হেপ্পী বর্থ দে টু য়ু-(২)'...।

বর্থ দে হায়রগদি কেক কিলো ১/২/৩/৪... অচৌ-অচৌবা মমল তাঙনা লৈনৈ। ইমুংগী, লৈকায়গী খঙন-চান্নবা মমান্নবা-মমান্নবী লাক্লে। মোম্বতি চুগনি, ঙালহনগনি। ফু কামদুনা মুখৎকনি। কেক কক্কনি, ইন্নগনি নুংশিনগনি। হরাউগনি, লাঙগনি, নুংঙাইগনি। চৌ-চৌ, মের্কোনি, কেলি চনা, চা, কোফি, প্লাও, ঙা থোংবা, য়েন থোংবা, সোফ দ্রিঙ্ক করি-করিনো চান্নবা পংহাপ্তা হাপকনি। পোজকা তৌরদনা ফোটো নমগনি। ঙমজবা খুদোলপোৎ পীগনি, লৌগনি। ৱিশ পীনগনি হায়নগনি নহাক্কী পোকপগী নুমিৎ অসি মথং মথং লাক্তুনা ঐখোয় পূন্না থেংনমিন্নখিসি। অসুম্না হরাউ তয়াম্না থৌরম অদু লোইশিনমিন্নগনি।

খ্বাইদগী নুংঙাইবা অমনা মথক্তসু হান্না পঞ্জখ্রবা ঐখোয় অনীগী জুন তারিখ ৫গী বর্থ দে অসিদি কনাদসু খঙহন্দে। পাউজেলসু পীরুদ্রে। খ্বাইদগী নুংশিরিবনা হান্ননা খঙলবা ইচাতোম্বী অদুদি অয়ূক ঙন্তা হায়রকখি - 'হেপ্পি বর্থ দে টু ওল ওফ য়ু', 'মেনি-মেনি হেপ্পি রিটর্ন ওফ দি দে'। ঐসু খুম্লুই নোক্তুনা কেথলিক স্কুল কাঞ্চিপুরদা তম্লিবা ইচা অদুদা - 'থেঙ্ক য়ু সো মচ'। মখা তারকপা ওইনা হায়জরবদা কদোমদগী শিৎলকপা নুংশিৎনো বর্থ দেগী থৌরম অসি শোয়দনা তৌদবা য়াদবা থৌদোক অমা ওইনা চাউনা চাউনা পাঙথোক্লরক্লে। মসি অফবা খুদম অমদি নত্তে। অদুননি ঙসাই হায়জখ্রিবা চহী মতাং অসিগা, পুন্সি তঙ্খাই চল্লবসিদা বর্থ দে কায়দনা ইদুম ইকায়জে। অদুননি কনাদসু হায়রুদে, খঙবসু খঙহল্লুদ্রে। তৌবতদি ঐখোয় অনীগী বর্থ দেদি পাঙথোকমিন্নখি, শিকি অমত্তা তিংহন্দনা, মীঙোন্দগী খুদোলপোৎসু লৌরুদনা। অদুবু ঐখোয় অনী কনা খঙহন্দনা করি করিনো খরদি চামিন্নখি।

লাইবক ফবা হায়গদ্রা ঐখোয়গী ইপোক তারিখ জুনগী তারিখ ৫ অসি ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে নুমিৎনি। মালেম পূম্বদা শিনবা থুংনা পাঙথোক্লখিবা চাউরবা মালেম মহাকপু ঙাক শেন্দুনা থম্নবা কাউঙল্লরোইদবা নুমিৎনি। হন্দক্কী থিমদি প্লাষ্টিক শীজিন্নবা মতমদা মালেমদা কয়াগী মতিক অকায়বা পীবা, মসিবু শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনসি হায়বগী ফজখ্রবা থৌরমনি। প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী অমাঙবা, লম্বী-সরক মফম শিনবা থুংনা প্লাষ্টিক্লা কোয়চাই চাইদুনা লৈবা। লৈবাক লৈহাওদা অমাঙবা পীরকপা, লোক্তাক পৎতা প্লাষ্টিক বোট্টল অহাংবা মপৈ-মপৈ পৈদুনা লৈবা, ইকোলোজিদা অকায়বা পীরকপা, মৈ থারুরে মদুদগী থোরকপা মৈখুনা মীদা নত্তনা জীব পানবা পুম্নমক্কী পুন্সি তেনশিলহন্নবা মচাক ওইরকপা পুম্নমক অসি অইবনা ইরুদ্রগসু পাবিরিবশিংনা হেন্না খঙবিরবনি। অদুবু প্লাষ্টিক থিংবা হায়রগা প্লাষ্টিকপু ঐখোয়গী য়েক্লবা ওইনা লৌবসু লানগনি। প্লাষ্টিক থিংলিবনি হায়দুনা ৱাখল অমরোমদা চৎখ্রগদি ঐখোয়না নুংতিগী অয়ূক য়াহৌরকপদগী শীজিন্নবা হৌরক্লিবা টুথ ব্রস মখোক, টুথ পেস হাপ্লিবা, সাবন কেব , য়াঙত্রিক য়াংবা মগ, প্লাষ্টিক্কী খুদেং, মোরা মানবা লৈ, ৱাশিং মেছিন, ফেন, রেফ্রিজিরেটরগী মকু, ইলেক্ত্রোনিক দিভাইসশিংগী কেবিনেটনচিংবা মমিং পনবদা লোইবা নাইররোইদবা ঐখোয়গী পুন্সি হিংবদা নুংঙাইহন্নবা মশীং থিঙমদ্রবা পোৎলমশিং মমল শোয়দনা তাঙখৎলক্কনি। অদুগীসু মথক্তা ইকোলোজিকেল বেলেন্সতা অকায়বা পীরক্কনি হায়বসি অইবগী ৱাখলনি। ঐখোয়না শীজিন্নরিবা, শীজিন্নবা য়াদ্রবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং পুমচায় চাইখায়হনবগী মহুত্তা মফম চানা পৈশিন্দুনা থল্লগা খোমগৎপা শোয়দনা লাক্কনি মদুনা রিসাইকল তৌদুনা অনৌবা পোৎলম অমা পুথোকপা নৎত্রগা লম্বীগী কোয়লা থাবদা শীজিন্নবসু য়াই, কুইনসু চৎকনি হায়রি। ঐখোয়না সিভিক সেন্স লৈতবগী মওংদা অঙাও-অফৈদৌনা পুমচাই চাইনা হুন্দোক্লবগী ৱানি। প্লাষ্টিক পুথোক্লমদ্রগদি ঐখোয় করম তৌরমগনি। অনা-অয়েক্কী হীদাক হাপ্লিবা মকুশিং অদুগা কাপ্লিবা সিরিঞ্জ, কোল্লিংসু চাদবা মমলসু হোংবা, য়ুম য়ুমদা পাল্লিবা পাইপ সেনিটরি আইটেম কয়া, গাড়ীগী বোদিশিং শাবদা য়োৎকী/ষ্টিলগী মহুত্তা প্লাষ্টিক্লা মহুৎ শিল্লক্লিবা গাড়ীদু য়াঙনা থৌরগদি থাউ (পেট্রোল) চাব হন্থহল্লি। লুম্লগনা থাউ থকই। নোংমদি শোয়দনা লোয়রগদবা ক্রুদ ওইল, নন রিন্যুএবল রিছোর্স, মালেমগী মবুক হুৎতুনা চিংথোক্লিবা থাউ/য়োৎ চিংথোকপগী চাং হন্থহনগনি। মতম কুইনা চৎকনি। য়ুমগী খোঙথোঙনাওনচিংবসু উগী মহুত্তা প্লাষ্টিক্লা শিল্লক্লিবসিসু উ য়ানবগী চাং হন্থহনবনি হায়বদা লাল্লোই। গ্লোবেল ৱার্মিং হন্থহনবা, উ-ৱা য়ালহন্দনবা, মমলসু হোংহনবা, য়াঙবসু য়াঙহনবা, শেম্নিংবা মওংদা শেম্বা য়াবা, মশক ফজহনবা য়াবা প্লাষ্টিকপু করম ফত্তে হায়সিগে। ঐখোয়না ৱাখল তাদবদগী মথোং মরম খঙদনা পুমচাই-চাইহল্লগা পোল্যুসন থোকহনবগী ৱানি।

অমরোমদসু অমুক ৱাখল তাদবা মীয়াম্না নম্না খুন্দাবা ঐখোয়গী মণিপুরদদি প্লাষ্টিক শীজিন্নবনা হেন্নদুম ফৈ হায়নীংই। হন্দক্কী জুন ৫ ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে নুমিৎতা থা অহুমগী মনুংদা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম খরা থীংগনি হায়না ইকায়খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকপীখ্রে। থেংবু থেংমল্লবনি। অসামগী টেজপুরগী কৈথেলদদি প্লাষ্টিক কেরি বেগনচিংবা অমত্তসু উরক্তে। ঙসিদগী চহী ৫/৬কী মমাঙগী ৱানি। প্লাষ্টিক বেগ হেক পায়রকপা উবদা মখোয়গী অসাম পুলিসকা নত্তে, বোর্দ মেম্বর অমনা শোয়দনা ফাগনি। লুপা ৫০০ ফাইন থিবা তাবা। মদুবু হান্না খঙলবা ঐগী ইচনুপীনা ঐঙোন্দা গনি বেগ পাইটু খাউগা হায়বদাই মদুদা ফিদ্রিং ফিদ্রিং চোঙবা ঙৌরবা ঙাংতক তৌবা ফজখ্রবা কিলো ২গা গ্রাম ৬৫০ তাবা শরেং অমা লৈরগা হাপ্লকপদগী পুরকখি। অদুসু কিলোদা লুপা ২৩০। মচল কয়া অমা লৈরকখি। চনম, তিলহৌ, মসলা মখল খরা, লোংপান-ইলাইচি (নাপাকপী মরাবুদি আ ক্বার্টরসতা হান্নবু লৈহৌরবনি) শোয়ফদ্রবা জাইফোরসু য়াওরে। হল্লক্লে, শালোনিবারি এস এস বি ত্রেনিং সেন্তরগী ওফিসরস মেসকী ক্বার্টরসতা। ইখূৎমক্লা থোংখি। বামোন ঐগ্যা শরেং থোংবা হৈখ্রবা অমনা থোংবা লাগী চাক্লুক্লাদা শরেং থোংবা খাবৈ অচৌবা অমা হাপ্পদা মহী ইয়াও য়াওহন্দনা নং-নং লাউনা থাধরকপদা লাদুদা তপ-তপ নপ্পগী ষ্টাইলদা থোংবা খুথোংদুমক্লি, অস! ওন্থোক্লা হাউখি।

মীতোপ চঙলকপসি করিগীদমক থিংসি হায়রিবনো? -১

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লূৱাং

মণিপুরদা মীতোপশিংনা চঙলকনীংবা অমদি চঙলকহন্নবগী মরুওইবা মরম খরদি অহানবদা, থবক শূনীংবশিংগীদমক্তদি মণিপুরদা শূনবা থবক মরাং কায়না লৈ; অনীশুবদা লমদমসিগী মহৌশাগী ওইজবা ফীভম্না লৈবদা য়াম্না নুংঙাইবা হায়বদি অইং-অশা চাং অমদা লৈবা, চাব-থকপা হাওবা; অহুমশুবদা মীয়োক মীচান ফবা; মরিশুবদা পান্বে অমা তৌরগা চঙবু চঙলক্লবদি কম্যুনিটি মান্নবা ময়াম অমা লৈবনা মতম খরা চঙজফম লৌবদা খুদোংচাবা ফংবা অসিনচিংবনি।

মণিপুরগী খুন্নাইদা মথৌ তাবা অমদি উরিবা থবক মখল খুদিংমক মরাং কায়না লৈরিবশিংসি ইরমদমগী মীওইশিংনা অহানবদা কয়া পাল্লমদবা, নুংঙাইবা হেন্না পান্বদগী, অচোপ-অরেম খনবদগী/থবক চিলহাও থিবদগী মীতোপশিংগী ৱাখলদনা তৌবা য়াবা থবক মরাং কায়না লৈ খঙবদগী/খনবদগী থাক খেন্নবা মীওইশিংনা চঙলকপনি। মখোয় মশেল খুদম ওইনা ক্বাক অমনা ক্বাক-ক্বাক খোংবদা অতোপ্পা ক্বাক ময়াম অমা মফমদুদা পাইশিল্লকপদগী মফমদুদা ক্বাক্কী ক্বাকমক্তা ঙাইবা অদুগুম্বনি। ইরমদম মণিপুর অসি অতৈ ষ্টেটশিংগা অইং-অশা (লম্মীৎ-তুমিৎকী) গী চাংদম্নবদা লৈবা নুংঙাইবা মফম ওইবগা লোয়ননা মফমসিদা ফংবা অচা-অথক্কী, মনা-মশিং, ঈশিংগী পোখোকশিং চাবদা মহাওসু লৈবনা অমুকপু লাকখ্রবদি তুং কোয়না লৈথনীংবদগী মরমদমশিংদা হন্নীংদে। মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং মীয়োক মীচান য়াম্না ফবনা মীতোপ্পা শিংবা খরা ৱাৎলপ ওইনা য়েলহৌমীশিংবু খল্লি। মরমদি মীতোপশিংবু তাথি-তাওইনা কয়া তৌদে। লৈরক খুল্লক্তা ফাওবা লৈফম পীদুনা নুংঙাইনা ঈং-চিক্লা লৈবদা থোইনা মীপাইনীংঙাই ওইদে। ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ষ্টেটসিগী কোনুং ওইবনা মফমসিদা লল্লোন ইতিক্কী, লৈঙাক্কী মকোক লোইশঙশিং, মরুওইবা মহৈ লোইশঙশিং ইম্ফাল মনুং অমসুং অনকপা মফমশিংদা লৈবনা, ষ্টেটসিগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চৎখিগদবা লম্বী মখৈসু ইম্ফালদগী হৌফম ওইবনা মপান লমশিংগী চঙলকপা মীতোপশিং মফমসিদা তাশিল্লগা লৈবনা মখোয় মশেল য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। হৌজিক্কী লৈফম ওইরিবা ময়ূমশিং অমদি শেল তানফম দুকানশিং লোয়নমক ইম্ফাল ময়োলদা ওইবনা অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাংদা অকি-অখং য়াওদনা য়াম্না শাফবা মফম ওইবগা লোয়ননা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী চাকখুমগী, চানবা অতৈ পোৎলমশিং মদু লৈবা চৎপদা অহেনবা শেলগী খরচ তৌবা মথৌ তাদবনা মপান লমগী মীওই মখল খুদিংগীদমক্তদি ঐখোয়গী লমদম ইম্ফাল (মণিপুর) সি মখোয়দদি লাইরৈপাক্লুম্বনি। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্কী ওইনা লৈরিবা ঙাকশেলগী থৌমীশিংনা খুরক হাংদনা পুং ২৪ ঙাক শেনবগী মথৌ তৌদুনা লৈরিবা মফমসু ওইরিবনি মীতোপশিংনা লৈরিবসি। খরা অমনা অয়ূক নুংথিলগী মতমদা কোয়না অতৈ মফমশিংদা চৎতুনা শেল তাল্লুরগা হল্লক্লবা মতুংদা মখোয় মান্নবা মশেল মশাগী লোলনা ৱারী-ৱাতাই নৎত্রগা মখোয় কম্যুনিতি তোঙানবা মশেল মরক্তনা ফাওনলোল হিন্দি (মপানগী), মৈতৈ/মীতৈলোল (লমসিগী) দা ৱারী শানদুনা নুংঙাইনা পুন্সি লেল্লিবনি। মসিদগী হেনবা খুদোংচাবা পীরিবদি ইরমদমগী মতম মতমগী লৈঙাকসু মতম মতমদুগী দিল্লি লৈঙাক্কী য়াকা য়েংলগা থবক তৌবনা মীতোপশিংগী পুন্সি, লন-থুম চেকশিন্না ঙাক শেল্লগা থল্লিবনিনা মীতোপশিংদদি হাক্কচবদা খূৎ থাজিনবা হায়বদু ওইবদগী সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবা হায়বা ফীভমদুমক্লি। মরমদি মীতোপ অমা খুজিল খুনাম্থোক্তগী শিবা য়াওরকপদা ষ্টেট লৈঙাক্লা য়ামদ্রবদা লুপা লাক্ষ অনীদগীনা মঙা ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী নক্লবা ইমুং মনুংদা পীদুনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট/মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট থেম্নবা হোৎনবদা তিংলিবা শেলয়ামনি। লমদমসিগী মীচম অমা চপ মান্নবা মওংদা লৈখিদবা মতমদদি থৌৱা শাবিদনা অশিবতনা মাঙজরগা তোক্লিবনি। মসিবুনি মীতোপ্পা ইরমদমসিদা আইন্না য়াবা নৎত্রগা য়াদনা চঙবু চঙলক্লগা লৈশিল্লরবসি। অমুকসু খন্নবা য়ারিবা মীতোপ্তা পীবা খুদোংচাবা অমদি ইম্ফালগী ময়োল অমদি অকোয়বদা লৈরিবা কন্সটিট্যুন্সি খরনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা মীতোপশিংদি মরী লৈনবা কন্সটিট্যুন্সিশিংদুগীদা মীরেপ মীখলদা ঙাওজবশিংনা ভোট ফংনবা হায়দুনা অঙম্বা মওংদা ভোটর লিষ্টতা হাপচিন্নবা হোৎনরগা মাগী মাগী ভোটর ওইহন্নবা হোৎনরিবনি। অতৈ অনকপা/অথাপ্পা মফম খরদনা মখোয় মখোয়গী অশানবা য়ূমশিংদা মতম খরা কুইনা লৈশিল্লক্লবা মতুংদা মচানুপী/মশুনুপী ফাওবা মীতোপকা চারৌ মৌরৌহনবদা করিসু থোইনা খন্দবা মওংদা লৈবদগী কায়নথংদদি ভোটর ইলেক্টোরেল রোলদা নুপী ময়ূমগী য়ূম্নাক, শাগৈগী মমিং ফাওবা পীশিল্লগা ভোটর ওইরম্বদগী কূপ্না থিগৎলবা মতুংদা মহৈরোয় খরগী লূপশিংনা অমদি সী এস ওশিংনা ফাগৎলকপগী অশেংবা থৌদোক লৈখ্রে। অরোনবা পান্বৈশিং শীজিন্নরগা মীতোপশিংনা লমদমসিদা চঙশিন্নবা হোৎনবদা ফাগৎলগা মরমদমশিংদা হলহনখিবগী থৌদোকশিংসু লৈখ্রে। কাঙলোন চুম্না চঙলকউ, মতম খরা লৈয়ু, লাকপগী-চঙলকপগী মরম খঙহল্লু, মদুগী মরী লৈনবা শকখঙ চেশিং পায়য়ু হায়বসি অমুক অশাবা ভোটর কার্দ, অধার কার্দ কয়া অমা শীজিন্নরগা চঙলক্লম্বা খরা অমসু ষ্টেট পুলিসনা ফাগৎপগী পাউদমশিং লৈখ্রে। মতাং অসিদা তঙাইফদনা পন্দবা য়াদবদি-শাগৈগী মৈতাল অশিবশিংগী শক্লোন লৌরিবা মীফৎতা কাঙবুশিংসিনি। মখোয়শিংসি মুন্না থিগৎপগী মথৌ তারক্লি। খুদম চাংদম ওইবা য়াবা অহকপা চৈরাক পীগদবা/ফংহনগদবশিংদি মখোয়শিং ওইবনা লেম্না থাফম থোক্তে। মরমদি হৌজিক ইরমদমগী খুন্নাইসি য়াম্না লুরবা ফীভম অমদা লৈরবনি। হীরম খুদিংদা মীৎশিং-নাশিংবা ওইবা হায়বদুগী মতমদু হেনখিগদৌরবনি।

মীতোপশিংনা মরম অমগীদমক মণিপুরদা চঙশিল্লক্লগা করি করম্বা থবকশিং তৌরিবগে হায়বসিগী মরমদা থিগৎপফাও মথৌ তারক্লবনি। খুদম ওইনা য়ু পি এস সীনা লৌবা পরিক্ষাশিং পাস তৌরগা সার্ভিস ওইনা চঙলকপশিংগী মশীং পংয়াম য়ামদে। মতম লোইরগা মরমশিংদা হনখিগদৌবনি। মথংদা মশীংদি খরা য়াম্বা অদুবু শেঞ্জাও পায়রগা মফমসিদা কম্পনিশিংগা শম্নবা করবার তৌরিবশিংসি য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনবগী মথৌ য়াম্না তাই। মরমদি মখোয়গী মরক্তগী খরদি মতম মতমগী ষ্টেট লৈঙাক্কী লৈঙাকপশিং খরা ফাওবা মখোয়না শান্ননীংবা মওংদা শান্নবা ঙম্বগী মতিক মঙম লৈরিবনি। মণিপুর মীয়ামগী চাকখাওদা মখোয়না ফোংনা শান্নবা ঙম্লিবনি। মশীং অদুক হাক্লা য়াম্বা নত্তে হায়জরবসু মখোয়না তৌবা ঙম্বা থবক্কী ভোল্যুমদি য়াম্না চাউবনা য়াম্না চেকশিন্না খুকউ শেনগদবশিংদি মথক্কী অনীশুবা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটিশিংসিনি। নিংথৌ পাল্লিঙৈদা মরম অমা নৎত্রগা অমগীদমক পূন্না পূন্না মীতোপশিং লৈফম পীরগা খুন্দাহল্লম্বদগী কোম্না মখোয়না ওনশিল্লগা লাই শারকপশিংগী শাগৈ নাতৈ মরী মতাশিং মথং-মথং কৌশিন্দুনা মহুম ফারক্লবা মতমদা মখোয়গী লৈফম পাকথোক চাউথোক্লবা হোৎনরকপদা হুইয়েন লাল্লোং ফাওবা ফোংনা তৌবা/শিংনবা ঙম্লক্লিবসিনি। মখোয়দি অফং অফংবা শিনফম তৌরগা মপুন্সি হিংবা ঙম্বশিংনি। মীতোপ খরা অমনা মখোয়গুম্বা মীতোপ মহাজনশিংগী মরুম থুপ্লগা খ্বাইরম্বন্দদা নত্তনা অথাপ্পা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ফাওবা করবারগী মসা মরেং শন্দোরকপদা নত্তনা লোকেলগী মার্কেট ফাওবা খুদুম চনশিনবা ঙম্লিবশিংসিনি। মশীং কা হেন্না য়াল্লিবদি মখোয়শিংসিনি। মখোয়দি থবক শূবদা মথৱায় থারবসু য়ারে খল্লিবা মীতোপশিংনি। লৈরক খুল্লক্তা চঙ চঙদুনা মখল মখাগী শেন্দাল লম্বী থিবা ঙম্লিবশিংনি। খ্বাইরম্বন্দদা কোম ক্বা অমদি মনা, মিঠা মনা, জর্দা, ময়াই কাবা পোৎলমশিং য়োনবনা কোঙ্গাইনি। শেঞ্জেং, শিলভর, কোরিগী পাত্রশিং য়োনবা, হৈ-রা য়োনবা, ধোবী ওইবা কয়া কয়ানি।